# এন আর সিগী মতাংদা মমতা বেনর্জিনা সেন্টরবু লৈবাক্কী ফনবগী মহুত্তা ফত্তবা ৱাখলোনদা থবক চংখবগী মরান শীখ্রে



***কোলকতা, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

অসামদা সিটিজন লিষ্টকী মতাংদা ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা সেন্টরবু মরান শীখ্রে।

বাংলাদেসতগী আয়ন কয়না চংলকখিবা মায়গ্রেন্টশিং লৌথোক্নবা থা কয়ামুক চংখিবা প্রোজেক্ট অদুদা মীওই লাক্ষ ১৯ লিষ্ট অদুদা য়াওদ্রে। হৌজিক মখোয় ইন্দিয়ান সিটিজনশিংনি হায়বা প্রমান পীবা তারি।

অরোইবা সিটিজনসিপ লিষ্ট শেম্বগী থবক অসিবু ওপোজিসন খক্তা নত্তনা ষ্টেট বি জে পিগী লুচিংবশিংনসু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেট বি জে পি লুচিংবশিংনা অসাম এন আর সিগী ফাইনেল লিষ্ট অদু হিন্দুশিংবু লিষ্ট অদুদগী লৌথোক্নবা লৌতুনবা অমনি হায়খ্রে।

সি আর পি এফ অমসুং অতৈ জৱানশিং, হান্নগী প্রসিদেন্ট ফখ্রউদ্দিন আলি অহমেদকী ইমূং-মনূংশিংদা নত্তনা লিষ্ট অদুদা গোরখা লাক্ষ ১গী মমিংশিং য়াওদ্রে হায়না ত্বিইট কয়ামরুমদা মমতা বেনর্জিনা হায়খি।

অসামগী এন আর সি (নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স)গী পূংশোয়-শোয়বা থবক খূৎলোইশিন অসি ঐহাক হান্না খঙলমদে। অহেনবা পাউশিং মথং-মথং লাকপদগী এন আর সি লিষ্ট অদুদগী গোরখা মীওই লাক্ষ ১ হেনবগী মমিংশিং য়াওহল্লকখিদবা অদু উবদা থম্মোয় শোকই হায়না মমতা বেনর্জিগী ত্বিইট অমদা হায়খি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর অসিনা অসাম নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স নৎত্রগা এন আর সি পূংশোয় শোয়রবা থবক খূৎলোয়শিন অমনি হায়খি অমসুং লৈবাক খুনাইগী ফনবা অমসুং হেন্না পাকথোক চাওথোকপা লৈবাক্কী ফনবগী য়েঙবগী মহুত্তা ফত্তবা অরোনবা ৱাখল্লোন অমা লৈবগীদমক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিবু মরান শিখি।

পাকিষ্টানদগী বাংলাদেসনা মচেৎ তারকখিবা অদুদা মীওই লিশিং কয়ানা বাংলাদেস থাদোক্লকখিবা মতম- মার্চ ১৯৭১গী মমাঙদা লৈবা আসমগী মীয়ামনা মখোয়গী সিটিজনসিপ অদুগীদমক মখোয়গী রেসিদেন্সকী প্রমান পীবা তারি।

অদুবু ঙরাং আগষ্ট ৩১ থাংজ নুমিৎতা অসাম এন আর সিগী ফাইনেল লিষ্ট ফোঙলকখিবা অদুদা মীওই লাক্ষ ১৯গী মমিং য়াওরকখিদ্রে।

অসাম মিনিষ্টর অমসুং অৱাং-নোংপোক্তা বি জে পিগী মকোকথোঙবা লাল্লোং শিনবা হিমন্তা বিশ্ব শর্মনা ত্বিইট কয়ামরুমদা হায়খিঃ ১৯৭১গী মমাঙদা বাংলাদেসতগী রিফ্যুজি ওইনা ময়ুম হোংলকখিবা ইন্দিয়ান সিটিজন কয়ামুক্কী মিংশিং অদু ওথোরিটিজনা রিফ্যুজি সার্টিফিকেটশিং য়াও হায়বা য়াদবদগী এন আর সি অদুদগী লৌথোকখিবনি।

মহাক্কী ৱাফম অদু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা থংনা-থংননা তার্ম ৩দা অসামগী চীফ মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা কোংগ্রেসকী তরুন গোগোইনা বি জে পিনা ফাওবা অসুন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবদি মসিগী দায়ত্বা কনাগী ওইগনি হংখি।

লিষ্ট অসি শেমখিবদু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসিননি হায়খি।

ফাইনেল এন আর সি লিষ্টতগী লৌথোকখ্রবা মীওইশিং অদুবু খুদক্তা মীরৈবাক মচানি লাওথোক্লোই। ফোরেনরস ট্রিবুনেলশিংদা অমসুং কোর্টশিংদা মখোয়না অপিল তৌনবগী লম্বী লৈরি হায়না গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

# সিটিজনস লিষ্ট পোলিটিসাইজ তৌরোইদবনি ঃ অশোক গেহলোত



***জয়পুর, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

অসামগী নেসনেল রেজিষ্টারস ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অসি অরুবা হিরম অমনি, মসিবু পোলিটিসাইজ তৌরোইদবনি হায়না ঙরাং রাজাষ্টান চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোতনা হায়খ্রে।

মখোয়গী তুংগী পূন্সি করি থোক্কদগে তম্বা ঙমদবা অমা মায়োক্নরিবা এন আর সি এপ্লিকান্ট লাক্ষ ১৯ হেনবগী সিটিজনসিপকী ৱাফম ওথোরিটিজনা য়াখিদবগা লোয়ননা ঙরাং নৌনা শেদোক্লবা অরোইবা এন আর সি অদু ফোঙখি।

মসি য়ান্না অরুবা হিরম অমনি। মসিবু মিংচৎ অমসুং ইজতকী ৱাফম অমা ওইনা লৌরোইদবনি অমসুং পোলিটিসাইজ তৌরোইদবনি হায়না পাউমীশিংদা অশোক গোহলোতনা হায়খি।

এন আর সি ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমকতা লৈরিবা কোংগ্রেস পার্টিনা কোংগ্রেস হায় কম্মান্দনা চংশিনগদবা পোলিসি খন্নগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মখোয়গী অপোকপা মপাশিং মফম অসিদা লৈবাক্কীদমক থৱাই কখোকখ্রবশিংগী মচাশিং অমসুং মশুশিংবু লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংনি প্রমান তৌনবা হায়রকখ্রে হায়বা টিভি অমসুং মেদিয়াদা পাউ কয়া লাক্লি। মসি য়ান্নমক লায়বক থীবা থৌদোক্নি হায়না মহাক্না হায়খি।

এন আর সি ৱাথোক্তা কোংগ্রেসকী ফিরেপকী মতাংদা মিষ্টর গেহলোতনা হায় কম্মান্দনা লৌরকপা ফিরেপ লৈবাক অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পূন্নমক্না য়াগনি হায়খি।

ভামাশাহ টেক্নোহব অমসুং ষ্টেট দাটা সেন্টর, ঝলানা দংগ্রিদা ঙরাং লাকিখিবা খোঙচৎ অমদা মিষ্টর গোহলোতনা ৱা ঙাংখি।

# উত্তর প্রদেশতা প্লাষ্টিক বেগ শিজিন্নবা অথিংবা থমখ্রে



***লখনৌ, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

উত্তর প্রদেশতা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ওর্দর অমগী মতূং ইন্না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌনা মাক্রোন ৫০ য়ৌদনা থাবা প্লাষ্টিক শিজিন্নবা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসিবু থুগাইবশিং লূপা লাক্ষ ১গী ফাইন অমসুং জেলদা থা ৬কী চৈরাক পীনি হায়রি।

ষ্টেটকী কোনুং অসিদা প্লাষ্টিককী অথিংবা অসি থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনদবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা অকনবা থবক চংথগনি হায়না উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ৱার্নিং তৌখ্রবগী মতূং পুলিসনা মফম অসিদা শগোলশেল নুমিৎতগী হেল্পলাইন অমা থমখ্রে অমসুং অথিংবা হুকুম থুগাইবশিংগী মতাংদা পাউ পীরক্নবা মীয়ামদা অপিল তৌখ্রে।

সিটি অসিদা প্লাষ্টিক মেনুফেকচরিং তৌবা নৎত্রগা সপ্লাই তৌবা পাউ পীরক্নবা মীয়ান্না চোথোক্লক্নবা অমসুং এন্টি-ক্রাইম হেল্পলাইন ৭৮৩৯৮৬১৩১৪দা টেলিফোন তৌরক্নবা সেনিয়ার সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কলানিধি লাইথানিনা হায়খি।

মথং থাদগী লখনৌগী মফম অমা হেক্তদা অথিংবা প্লাষ্টিক য়োল্লম্লবদি ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা আগষ্ট ২৬তা হায়খিবা অদুগী মতুং খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

মখোয় মখোয়গী মফমশিংদা অথিংবা থন্নবা প্লাষ্টিক য়োনবা থেংনরবদি আগষ্ট ৩১গী মতুংদা পুলিস ষ্টেসন ইন-চার্জ, সিভিক ওফিসিয়েল, কমর্সিয়েল টেক্স ওফিসার, মেজিষ্ট্রেট অমসুং সর্কুলর ওফিসারশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়না এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম) অৱানিস অৱাস্থিনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চহী অসিগী ইন্দিপেন্দেস ডেদা ঙাংখিবা ৱারোল অমসুং রেদিওদা মহাক্না থাগী ওইনা ঙাংবা মমাঙগী নোংমাইজিংদা ঙাংখিবা মন কি বাততা এনভাইরেমেন্ট ঙাকথোক্নবা প্লাষ্টিক শিজিনদনবগী মায়োক্তা মীয়ামদা অপিল তৌখিবনি।

# মধ্য প্রদেশতা নুঙনা থানবগী চহীগী ফেষ্টিভেলদা ৪০০ শোকখ্রে

***ভোপাল, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

মধ্য প্রদেশকী চিন্দৱার দিষ্ট্রিক্তা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা নুঙনা থানবগী চহীগী ফেষ্টিভেল-গোতমার ফেষ্টিভেলদা মীওই ৪০০ হেন্না অশোক-অপন থোকখ্রে।

য়ামদ্রবদা অরুবা ফিভমদা শোকখিবা মীওই ১২ পান্ধুরনাদা লৈবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে। মীওই ২ মমীৎতা শোকখি হায়না পুলিসনা হায়খি।

চহী ৪০০ লিরবা চৎনবী অসিগী শরুক ওইনা চহী খুদিংগী পান্ধুরনা অমসুং সৱারগাও কৌবা খুন অনী অসিদগী খুঞ্জাশিংনা খুন অনী অদুবু খায়দোক্লিবা জাম তুরেলগী নাকন অনীদা গোতমার থৌরমগীদমক পূল্লি। মদুদগী খুন অনী অদুগী টিমশিং অদুনা তুরেল অদুগী ময়াইদা য়ুংলিবা ফিরাল অমা পায়বা হানবা তান্নখি।

টিম খুদিংমক্না ফিরাল অদু য়ৌনবা উপাই লৈতনা হোৎনরকখিবদা খুঞ্জাশিংনা মখোয় তন্না নুঙনা থাই। চহী অসিদা পান্ধুরনাগী খুঞ্জাশিংনা ফিরাল অদু ফংখি অমসুং মখোয়না মায় পাক্লবশিংনি হায়না লাওথোকখি।

গাতমার হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক্তি নুঙনা থানবা হায়বনি। মফমদুগী লোনদা গোত হায়বসিনা নুঙনি, মার হায়বসিনা থাবা হায়বনি। খুঞ্জাশিংগী মতূং ইন্না চহী চা কয়াগী মমাঙদা পান্ধুরনাদগী নুপামচা অমনা সৱারগাওদগী নুপীমচা অমা চেনখি। মদুদা মখোয়না তুরেল অদু লান্থোক্লিঙৈদা মখোয়না মখোয়বু নুঙনা থাখি হায়না থাজনরি।



মদুদা পন্ধুরনাগী খুঞ্জাশিংনা মখোয়গী মতেং পাংবা লাকখি অমসুং নুপা অমসুং নুপী অনী অদু তুরেল অদু শোয়-ঙামদনা লান্থোক্লকখি।

হৌজিক কুমহৈ অসি দ্রোনশিং অমসুং সি সি টিভি কেমেরাশিং শিজিন্নদুনা মোনিটর তৌরি হায়না চিন্দুৱারা এস পি মনোজ রাইনা হায়খি।

এদমিনিষ্ট্রসননসু কুমহৈ মফম অদুদা মেদিকেলগী তেংবাং ফংনবা শিল্লি। থায়নদগী চৎনরকপা অসি মপূং ফানা থিংবা অসুক্কী মতিক লুই অদুবু ঐখোয়না ময়াইকাবা য়ুনচিংবা থকপা অমসুং নুঙ লংনবা রোপশিং শিজিন্নবা থিংখ্রে। ঐখোয়নসু মফম অদুদা মেদিকেল লায়েঙ পীনবা থৌরাংশিং তৌই হায়না মহাক্না হায়খি।

# ষ্টেট ৫গী অনৌবা গভর্নরশিং হাপখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ঙসি ষ্টেট ৫গী অনৌবা গভর্ণর ওইগদবশিং অদুগী মিং লাওথোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী নৌবা ষ্টেট টেলঙ্গনাগী অহানবা তোঙানবা গভর্ণর ওইনা তামিল নাদু বি জে পি চীফ ডা. তামিলিসাই সোন্দরারাজন অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বন্দারু দত্তাত্রেয়াবু কলরাজ মিশ্রগী মহুৎতা হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইনা হাপখ্রে।

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরিফ মোহমদ খানবু কেরেলাগী গভর্ণর অমসুং ভগৎ সিংহ কোশ্যারিবু মহারাষ্ট্রগী গভর্ণর হাপখ্রে।

হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইরম্বা কলরাজ মিশ্রনা রাজষ্টানদা কল্যান সিংহগী মহুৎতা গভর্ণর ওইরগনি।

মহাক্কী চহী ৫গী টার্ম লোইরগদবা মহারাষ্ট্র গভর্ণর বিদ্যাশাগর রাওগী মহুৎতা ভগৎ সিংহ কোশ্যারিনা মহুৎ শিল্লগনি।

# চা বগানগী শিন্মীশিংনা ডোক্টর ফুরগা হাংখ্রে

***জোরহাট, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

অসামগী জোরহাট দিষ্ট্রিক্তা লৈবা জোরহাট মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল মনূংদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা চা বগান অমগী শিন্মীশিংনা মশাগী চহী ৭৩ শুরবা ডা. দেবেন দত্তাবু ফুবদা শিখ্রে হায়না জোরহাট দিপুটি কমিস্নার রোস্নি অপরানজি কোরাতিনা ফোঙদোকখ্রে।

তিয়োক টি ইষ্টেটকী টেম্পোররি শিন্মী সুক্রা মাঝি কৌবী শিন্মী অমা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতম অদুৱাইদা ইষ্টেট অদুদা লৈবা হোস্পিটাল অদুদা পুখৎলকখি অদুবু ডোক্টর লৈরমখিদবনি। ডোক্টর অদুনা মরম ওইদুনা শিন্মীখিবনি হায়না শিন্মীশিং অদুনা মরান শীখি।

# য়ু এসনা সিরিয়াদা চংখিবা মিসাইল এটেকতা য়ামদ্রবদা ৪০ শিখ্রে ঃ ওফিসিয়েলশিং



***ইদলিব, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

য়ু এস ফোর্সশিংনা ঙরাং সিরিয়াদা এটেক তৌখ্রে অমসুং সিরিয়ান লানগী মোনিটর তৌরিবা অমনা এটেক অদু মিসাইল এটেকনি অমসুং মদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪০ শিখ্রে হায়খি।

ইদলিবকী অৱাংদা এটেক অদুনা অল-কৈদা ইন সিরিয়াগী লূচিংবশিংদা পান্দম থমখি হায়না য়ু এস দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা হায়খি। করম্বা মখলগী খূৎলাই শিজিন্নখি অমসুং করি-করি থোকখি হায়বা অকুপশিং দিপার্টমেন্ট অসিনা ফোঙদোকখিদে। অদুবু লন্দনদা লৈবা সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস কৌবা ৱার মোনিটর অসিনা ফোঙদোকপদা সিরিয়াগী ইদলিব মনাক্তা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিং অমসুং মসিগী খূৎশন্নবা ফেক্সনশিংগী লিদরশিং মিসাইলশিং অদুগী পান্দম্ফম ওইখি হায়খি।

থা ৪রোমগী শাথিবা বোম এটেকশিংগী মতূংদা রসিয়ানা ঙাক্লৌ পীবা সিজ ফয়ার অমদা সিরিয়া গভর্ণমেন্টনা য়াখিবগী মতূং সিরিয়া গভর্ণমেন্টনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা টেরোরিষ্টনা পায়বা ইদলিব রিজনদা নোংথক্তগী এটেকশিং চংথবা লেপখি। অদুবু ইদলিব সিটিগী মনাক্তা ট্রেনিং কেম্প অমগী মনূংদা হরাস অল-দীন, অনসার অল-টৱাহিদ অমসুং অতৈ খূৎশন্নবা গ্রুপশিংগী লূচিংবশিংগী মীফম অমদা মিসাইল এটেক অমনা পান্দম থল্লকখি হায়না ওবজার্ভেটরি অদুগী মকোক রামি অবদেল রহমননা হায়খি।

এটেক অদুনা য়ামদ্রবদা টেরোরিষ্ট লূচিংবা ৪০ হাৎখি হায়না বৃটেনদা লৈবা মোনিটর অদুনা হায়খি।

# সাউদিনা লূচিংবা কোলিসননা হৌথি মিলিটরিগী মথক্তা নোংথক-এটেক চংখ্রে



***দুবাই, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

সাউদিনা লূচিংবা মিলিটরি কোলিসন অমনা খা-নোংচুপ য়েমেনদা লৈবা হৌথি মিলিটরি টার্গেটশিংদা নোংথক -এটেকশিং চংখ্রে অমসুং এটেক অদুনা জেল অমদা পানখিবদা মীওই কয়ামুক শিরে হায়না হৌথিনা চল্লাইবা মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

য়েমেনদা ইরানগা খূৎশন্নবা হৌথি মুভমেন্টকী মথক্তা চহী অমা হেন্না লান্থেংনরক্লিবা সুন্নি মুস্লিম কোলিসননা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ধমারদা দ্রোনশিং অমসুং মিসাইলশিংগী থম্ফম অমা থুগাইখ্রে হায়খি। মফম অদুদা নোংথক্কী-এটেক ৬ তৌখি অমসুং মীফাশিং থম্ফম ওইবা মফম অমা ওইনা শিজিন্নবা সিটি অদুদা লৈবা কমপ্লেক্স অমদা পানখ্রে হায়না মফম অদুগী মীওইশিংনা পাউগী এজেন্সি রোইটসতা হায়খি।

হৌথি হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অমনা গ্রুপ অসিগী অল-মাসিরাহা টিভিদা ফোঙদোক্লককখিবদা জেল অদুদা অতেক অকাই মরক্তগী হকচাং ৬০ চিংথোক্লে অমসুং মশীং অসি হেনগৎলকপা য়াই হায়খ্রে। অদুবু হায়রিবা অশিবগী মশীং অসি নিংতম্না তোঙান্না খুদক্তা লেপ্পা ঙমদ্রি। হায়রিবা জেল অদু বন্দি ১৭০ রোম থল্লি।

সাউদিনা লূচিংবা কোলিসন অমনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ু এ ইনা ঙাক্লৌ পীবা খা থংবগী তোঙান তানিংবশিংগী মরক্তা এটেক তৌখ্রে। মদুনা ইরানগা খূৎশন্নবা হৌথি মুভমেন্টপু থেংনবদা অহেনবা ৱাখল থাদরিবা এলায়েন্স অদু মচেৎ তাহনখ্রে।

এটেক অদুদা থোকখিবা পোকখায়বশিং অদু কল্লি অমসুং সিটি অদু নিকখি। মদুগী মতূংদা নোংঙালমদাই ফাওবা এম্বুলেন্স সাইরেনশিংগী মখোন তাখি হায়না মফম অদুগী মীওই অমনা হায়খি।

২০১৪গী অথেংবদা য়েমেনগী কোনূং সানাদা লৈরম্বা ইন্টরনেসনেলনা শকখঙবা গভর্ণমেন্ট অদুবু শক্তি পায়বদগী হৌথিশিংনা তান্থোকখিবগী মতূংদা হৌথিশিং অসিগী মথক্তা নোংচুপনা ঙাক্লৌ পীবা এলায়েন্স অসিনা মার্চ ২০১৫দা য়েমেনদা খূৎ থিংজিল্লকখিবনি।

অরাবিয়ান পেনিন্সুলাগী লৈবাক অসিদা অয়াম্বা অচৌবা মীয়াম তাবা সেন্টরশিং পায়রিবা হৌথি মুভমেন্ট অসিনা হৌখিবা থা খরসিদা সাউদি অরাবিয়াগী মথক্তা ঙমখৈ লান্না মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেকশিং তৌবা হেনগৎলকখি।

সাউদিনা লূচিংবা এলায়েন্স অসিনা হৌথি টার্গেটশিংগী মথক্তা এটেকশিং তৌদুনা পাউখুম পীখি।

# হেজবোল্লাহ কম্মান্দরশিং থৌরাং তৌখ্রে, ইজরেলনসু ঙমখৈদা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিনখ্রে



*লেবানন ঙমখৈদা ইজরেলনা অহেনবা ফোর্স থাজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে*

***বৈরুট /জেরুসালেম, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা লেবানিজ হেজবোল্লাহ মুভমেন্ট অমসুং মসিগী লিরবা য়েক্নবা ইজরেল -২০০৬তা থা ১ শাংবা লান থেংনখিবা অনী অসিগী মরক্তা উংখৎনবা ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা ইজরেলগী মিলিটরিনসু ঙমখৈ মনাক্তা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

মদুগী মতূংদা হেজবোল্লাহনসু ইজরেলগী দ্রোনশিংননি হায়না মরান শীখিবা চয়োল অমগী মমাঙদা তৌরকখিবা এটেক অদুগী পাউখুম পীনবা মখোয়গী কম্মান্দরশিং থৌরাং তৌরে হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

লেবাননগী সোভরেন্টি থুগাইরকপা ইজরেলগী দ্রোনশিং মায়োক্নবা তৌবা য়াবা থবক পূন্নমক্কী থোঙ হাংদোক্লে হায়না টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা ৱারোল অমদা হেজবোল্লাহ লিদর শায়েদ হসন নশ্রাল্লাহনা হায়খি।

হৌখিবা চয়োল লোয়বা নুমিৎতা বৈরুট এটেকতা শিজিন্নরকখিবা অদুগুম্বগা মান্নবা দ্রোনশিং অদু, করিগুম্বা পাউখুম পীদনা থাদোক্তুনা থল্লবদি মদুনা এসাসিয়েসনশিং তৌহনখিনবগী থোঙ অদু হাংদোক্লে। অসিগুম্বা অসি য়াথোক্তুনা লৈবা য়ারোই। মমল অদু ইজরেলনা শোয়দনমক পীগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

লেবাননগী প্রসিদেন্ট মিচেল আউননা লান অমা লাওথোকপগা মান্নবা ইজরেল দ্রোন এটেক অদুগী মতূংদা মহাক্কী লৈবাক্না মশা ঙাকথোক্নবগী হক অমা লৈ হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

১৯৮২দা ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দসশিংনা হেবোল্লাহ অসি লিংখৎখিবনি। মদুগী মতূংদা হেজবোল্লাহনা ইজরেলগী ঙমখৈ মনূংদা চংশিল্লগা চংথবা রেইদ অমদা ইজরেলগী লন্মী ২ ফারকখিবদা ২০০৬তা ইজরেলগা লান তৌনখি। লান অদুদা মীচমনা অয়াম্বা ওইনা লেবানিজ ১২০০ রোম অমসুং লান্মীনা অয়াম্বা ওইনা ইজরেলি ১৫৮ শিখি।

হেজবোল্লাহ লূচিংবনা খূৎ হনবগী এটেক তৌনবগী মতম ফোঙদোকখিদে অদুবু হৌজিক মদু ফিল্ড কম্মান্দরশিংগী খূৎতা লৈখ্রে হায়খি।

# কাশ্মিরগী মতাংদা ইন্দিয়া-পাকিষ্টান মৈ-হৌনা য়েংনখ্রে

***মালে, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবা অদুগী ৱাফম পুখৎন্নবা পাকিষ্টাননা হোৎনরকখিবদা মালদিপসতা পাংথোক্লিবা সাউথ এসিয়ান স্পিকরস সম্মিটতা ঙসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মীহুৎশিংনা মৈ-হৌনা মরৈ য়েংনখ্রে।

মীফম অদুদা ইন্দিয়াগী মনুংগী ৱাথোকপু পুখৎপগী মায়োক্তা ঐখোয়না কন্না য়ানীংদে অমসুং ৱাথোকশিং পুখৎতুনা ফোরম অসি পোলিটিসাইজ তৌবসু ঐখোয়না য়াদে হায়না ইন্দিয়াগী রাজ্য সভা দিপুটি চিয়ারমেন হরিবন্সনা হায়খি।

# ইলিভেটর য়ারক্তবদগী পোপ ফ্রান্সিস মিনিট ২৫ রোম পন্দুনা লৈখ্রে

***ভেটিকান সিটি, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

পোপ ফ্রান্সিস ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা সেন্ট পিটর'স স্কোৱারদা মাগী চয়োলগী ৱারোল পীনবগীদমক মতম থেঙনা থুংলখ্রে।

মতম থেঙনা থুংলখিবগী মরমদি মহাক ভেটিকানদা ইলিভেটর অমদা মদু য়ারক্তবদগী মিনিট ২৫ রোম পন্দুনা লৈরুখ্রে অমসুং মহাকপু কোন্না ফয়ার ফাইটরশিংনা হোৎনরগা লাকপা য়াহনখিবনি হায়রি।

মিনিট ১০ রোম থেঙথনা মহাক্কী ৱারোল পীবা হৌরদুনা পোন্টিফ অদুনা মোমোন নোক্নদুনা ঐহাক্না নখোয়গী ঙাকপীবা নিজরি হায়খি। অদুদগী মহাক্না ভেটিকানদা ইলেক্ট্রিকেল পৱার প্রোব্লেম অমা থোকখি অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা মহাক ভেটিকান ফয়ার ওফিসারশিংনা মাবু লৌথোকপা লাক্ত্রিবা ফাওবা ইলিভেটর অদুদা পন্দুনা লৈবা তাখি হায়খি।

# মী ১০০ মঙক ককখিবগী চিংনবা বেলজিয়ান টেরোরিষ্ট সিরিয়াদা ফাখ্রে

***ব্রুসেলস, সেপ্টেম্বর ০১(এজেন্সি)ঃ***

রাকাদা মী ১০০ হেন্না মঙক কক্তুনা হাৎখিবগী চিংনবা অমসুং পেরিস অমসুং ব্রুসেলসতা তৌখিবা এটেকশিং অদুগসু মরী লৈনরম্বা য়াবা আই এস আই এস টেরোরিষ্ট অমা সিরিয়াদা ফাখ্রে হায়না করদিসনা লূচিংবা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সসেসনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা হায়খ্রে।

বেলজিয়মদগী হৌরকখিবা অনৱার হদ্দৌচিবু ইরাক ঙমখৈদগী কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্পা নোংপোক থংবা দেইর এজোর রিজনদা ফাখি হায়না ত্বিইটরদা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সসেস (এস দি এফ)কী ৱাঙাংলোই মুষ্টেফা বালিনা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-229**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | 8 | | | 5 | 3 | | |
| 3 | 1 | | 7 | | | 9 | | |
| | 9 | 4 | | 1 | | 8 | | |
| | 3 | | 4 | | 9 | | | 8 |
| 1 | | | 3 | 2 | | | 9 | |
| | | 9 | 8 | | 1 | | 3 | |
| | 2 | | | 9 | | 4 | 8 | |
| 9 | | | | 3 | | | | 1 |
| | | 3 | | | 4 | | | 9 |

**সনা-সুদোকু - ২২৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 9 | 1 | 2 | 6 | 3 | 4 | 5 | 8 |
| 2 | 8 | 6 | 5 | 7 | 4 | 3 | 9 | 1 |
| 5 | 4 | 3 | 9 | 1 | 8 | 2 | 6 | 7 |
| 8 | 7 | 4 | 3 | 5 | 2 | 6 | 1 | 9 |
| 1 | 2 | 5 | 6 | 8 | 9 | 7 | 3 | 4 |
| 3 | 6 | 9 | 7 | 4 | 1 | 8 | 2 | 5 |
| 4 | 3 | 8 | 1 | 2 | 5 | 9 | 7 | 6 |
| 6 | 1 | 2 | 4 | 9 | 7 | 5 | 8 | 3 |
| 9 | 5 | 7 | 8 | 3 | 6 | 1 | 4 | 2 |